# য়ুহা হাবগী চকঙা-চকঙা মরক্তা নোংদি ঙাল্লল্লে

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা



যাহৌ থেঙ্গনবশিংসু অকনবা য়ুহানা তুম্বা হৌদোকখ্রে। চহী ৫০ হেল্লবা মণিপুর মচাশিংদদি ঙসি হাখিবা য়ুহাদগী হেন্না কনবা য়ুহা থেংনরম্বা য়াই। অদুবু চহী ৫০ শুদ্রিবশিংগী মফমদদি ঙসিগী য়ুহা অদুনা খ্বাইদগী কনবা য়ুহা ওইখি।

লন-থুম কয়াসু মাঙ-তাকহল্লে। মমল য়াম্লবা মীওইবা কয়াগী পুন্সি পীখম্লহনখ্রে। তমথিবা শক্তম অমগী মতৌ উৎলরে। ইমা কৈথেল খুন্তাক লানশিহৌরে। লৈবাক্কী ঈরাং লোইদ্রিঙৈ য়ুহাগী চৈনা ফংলিবা মণিপুর অসিবু করি লাইমক্না ওৎকে য়াওনা ওৎলিবনো। মীকুপ কাঙদবা অৱাবগী ৱারীনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লিবা অসিবু করি লাইদা করি চবান থারগা কোকপা ঙমগদগে। ইরমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা লাইশিংদগী হেন্দোক্লগা মালেমদা লৈরিবা লাই পুম্নমক লাৎশিন্দুনা মরিং-মরাংহনবা ঙল্লিবা লমদমসিগী মীয়াম্না লাইয়ামশিং অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকহনবীগনু হায়দুনা ৱাতান্নবনা করিগী ঙমদ্রিবনো।

থোকহন্নিংবা পুম্নমক থোকহনবা ঙম্বা লাইশিংদা শেল কৎপতনা মীওইবগী মথৌরা। অৱাৎ-অপা লৈতে হায়নরিবা লাইশিংনা করি থবক তৌরক্ল বগীনো লাইদা শেল কৎপদা হিদান্নরিবা অসিনা। ঙসিদি লাই পুম্ন মক্তা ৱারৌই। ঙাকথোক শেন্থোকপা হৈ হায়রবদি করিগী তমথিবা য়ুহা অসিদগী মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌদ্রিবনো। য়ুহাগী চৈনা ফংলবশিংনা নুংশুক-নুংজানরগা মীওই খরনা কুম্মৈ ওন্থোক্লিবসিনা করিগীনো। নেপালদা থোকখিবা তমথিবা য়ুহা অমসুং সুনামিগী থৌদোক্তা অৱাবা তাখ্রবশিংদা শেলগী মতেং লমদম অসিগী মীয়াম্নসু পাংখি।

লমদমসিগী মীয়াম্না অৱাবা তারবা মীকুপ অসিদদি করি লমগী করম্বা মীওইশিংনা শেলগী মতেং পাংলক্কদৌরিবগে। মমাঙ চহীদসু তমথিবা ঈচাওগী থৌদোক থোকখি। ঈচাওনা কা-হেন্না অৱাবা নংহল্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিং হৌখিবা পোইনু থাদা কোক্তা খুৎ হাপ্ন খি। হঞ্জিন-হঞ্জিন্না থোকপা ঈচাওগী থৌদোক্কীদমক্তা করম্বা ষ্টেটকী নৎত্রগা করম্বা লৈবাক্কী মীওইশিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা শেলগী মতেং পাংলকখ্রবগে। লোন্না পাংলম্বগীদি খঙদে। ফোঙনা পাংলকপদি থেংনহৌদে। অদু ওইরগদি মীরমগী অৱাবদনা লমদম অসিগী মীয়াম্না মতেং পাংখিবা অদুগা ইরমদমসিগী অৱাবদনা মীরমগী মীনা করিগুম্বা মতেং অমত্তা পাংলক্তবা হায়বসিনা চল্লিবা পাওখোং অসিনা করি পাওখোং? অসিগুম্বা চমম্লবা ৱাহংশিং অসিনা ঙসিগী কোকসিদা শুরু-শুরু নৈশিল্লকই। অদুবু লাইরিক্তা হায়বা ৱাহৈ অৱাবা খাঙবা হৈয়ু হায়বা ৱাহৈশিং নীংশিংলগা ঙসিগী মণিপুরগী অৱাবসি মীকুপ অমত্তং থৈদোক্লগা থল্লগে খল্লকই।

অৱাবা মরক্তা থিরিবা নুংঙাইবদা থেংনরকখি। নোংলৈ ফিল্ম প্রদ্যুক্সননা ১৩ শুবা খুৎপুথোক ওইনা পুথোরক্লিবা *নোংদি ঙাল্লল্লে* হায়রিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসি। ফিল্ম অসিসু অমম-অঙানগী ৱারীনি। মীওইবনা নুংঙাইবতমক পাম্মী। নুংঙাইবা হায়বসিদি অঙানবদা ফংই। অঙানবতা ওইনিংলিবা মীওইবনা অমম্বা য়াওদনা অঙানবা লৈতে হায়বসি করিগুম্বা মতমদা কাউথোকই। নুংশিরম্বা মহাক অদুনসু অমম্বা হায়বদু ওইনিংলক্তবদগী নুংশিবা মহাকপু কাউথোক্তুনা থল্লম্মী। সনা-লুপা, অরং-অরাক্কা পুন্সিগা মতম পুম্নমক্কী লোয়নদুনা লৈরগদবগুম্না খনখিবী নিঙোল অমনা শেন্নহৌদনা পীথোক্লুবা থম্মোয়না পোলোইদা নীংবা কায়রকই। খুদোংথিবা থৌদোক অমদা থেংনখিবী লল্লানবী অমনদি নুংশি মৈচাক খাঙ হৌরবা মহাক্কীদমক পাম্বোম তীংবা হৌরকই। লনতবু মীকাবী মহাকসু সনানি খন্না পায়রুবদু অচাকপা সহি মৈতান ওইরমদুনা মখুৎ পুম্বা পোকথোকখি। পোলোইঙ্গী মতমদা নীংবা কায়বতনা লেঙদবা লন ওইনা মশাগী মনাক্তা লেপ্লখি। মসিনা ফিল্ম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলনি। ফিল্ম অসিদা গোকুন, অবেনাও, রতন লাই, নিকি, হোমেশ্বরী, লৈখ্রাম রঞ্জিৎ, জয়বিদ্যা, মতৌলৈবী, হেপি রাজেন অমসুং বোলেন্দ্রোনা মরুওইবা শক্তম লাংলি। অফাওনা ম্যুজিক দিরেক্টর ওইবা ফিল্ম অসিগী ঈশৈ ময়েক শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর বিমোল ফিবৌনা ইরি। শুপ্লতগী ঈশৈ অমখক্তমক য়াওবা ফিল্ম অসিগী শৈশকপসু অফাওনি। 'ওৎলু থৱায় নৈয়ু পুন্সি, হে ঐগী নোংদম্বা' হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অসিনা অয়েংবশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। ফিল্মসিগী এদিটর অমসুং সিনেমাটোগ্রাফর সঞ্জিৎ এক্স এলনি। কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারি থাদগী সুটিং হৌরকখিবা ফিল্ম অসি কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর ৬ তা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা প্রেমিয়র শো পীখি।

চজিং নিঙোল ওইরম্বদগী কাঞ্চিপুরদা য়ুম্বাল পুন্সি তন্লিবী মতৌলৈবীনা ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসরনি। মতৌলৈবী ফিল্মসিগী প্রদ্যুসর ওইবতা নত্তনা এক্টর অমা ওইনসু শরুক য়ারি। মহাক মণিপুরী সেল্লুলোইদ ফিল্মগী আর্টিষ্ট অমা ওইনসু শরুক য়াখি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা নিংথৌ রঞ্জনসু এক্টর ওইনা শরুক য়ারি। নোংদি ঙাল্লল্লে হায়রিবা ফিল্ম অসিনা রঞ্জননা দিরেক্সন পীবা অনীশুবা ফিল্মনি। মহাক্না অহানবদা *তস কমদৌই* হায়রিবা ফিল্ম অসি পুথোকখ্রে। ফিল্ম অসিদা রতন লাই অমসুং নিকিনা মরুওইবা শক্তম লাংখিবনি। মহাক্কী অনীশুবা ফিল্ম অসিমক্তদসু হায়রিবা এক্টর অনী অসিমক শরুক য়াহল্লকপা অসিনা মণিপুরগী মীতৈ মচাশিংদি কুইনা তীন্নবা য়াগন্দে হায়বা ৱাহৈ অসিবুদি লালহল্লবনি। কুইনা পুনবগী অফবা অসি মতম পুম্নমক্কী ওইনা লৈবা ওইসনু।

নোংদি ঙাল্লল্লে হায়রিবা ফিল্ম অসিগী মরমদা খন্ন-খন্না তুমথখিবা খঙহৌদে। মীকপ থোক্ত্রিঙৈদা অকনবা য়ুহা হারকখিবগী চকঙা-চকঙা হায়বা খোঞ্জেলনা পুম্লিল নীন্নরকখি। মী অয়াম্বনা তুম্ন-হিপ্ন রিঙৈদা হাবা য়ুহা ওইবনিনা চেন্থোকফম অমসুং শাথুপফম খঙনখিদে। দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী পাউতাক নীংশিংলুবা ঙমখিদে। নুংশিখ্রবা ইচাবু করোমদা শাথুপকদগে হায়না খনবা ফাওবা শংদ্রিঙৈদা ফক্লাংনা মৈয়ি চৎপা হৌরকই। ফক্লাংনা মৈয়ি চৎলকপগা থম্মোয়না মৈয়ি চৎলকপগা করিবু খেন্নরিবগে। নীংখায়খিবা ফক্লাং পুম্নমক, কিন্থখ্রবা য়ুম পুম্নমক, অকায়-অতোয় নংলবা গাড়ী পুম্নমক্লা থম্মোয়দা চৈনা অমদি পীরিবনি। অকনবা চৈনা অসি করম্না খাঙগদগে খল্লগা থোক্লকপদা নোংদি ঙাল্লল্লে। মসিমকনি মণিপুরী ফিল্ম নোংদি ঙাল্লল্লে হায়রিবসিমকসু।

লৌশিং পুক্কে

# থা শুদনা পোকপা অঙাংশিং চাউরক্লগা মশা শোল্লি, হীরম কয়াদা শোৎথে : ষ্টদি



থাবুম তরা নাউপুরগা পোক্লকপা অঙাংশিংগা চাংদম্নবা মতমদা থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক চাউরক্লগা মশল ইশোল-শোল্লি অমসুং হীরম কয়াদা শোৎথৈ হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙল্লে।

চাংচৎতা মপুং ফানা মীরোনবগী মতম অসি চয়োল ৪০ নি। চয়োল ৩৭ কী মতুংদা পোকপা অঙাংশিংবু থা শুদনা পোকপা হায়না লৌনৈ। অসিগুম্বা অঙাংশিং মপুং ফানা মশল শেমগৎলকপা ঙমদবদগী মশা ইশোন শোনবগা লোয়ননা কার্দিও-রেস্পিরেটরি ফিটনেসকী চাংসু হন্থৈ।

মতৌ অসুম্না থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক তাইবঙদা হেক খোঙদারকপগা নিংশা শ্বর হোনবা ৱাবা অমদি চাবা তুমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে। অঙাং খরদি পূন্সি চুপ্পা নীংথিনা মীৎ উবা ঙদবা, ময়েক শেংনা তাবা ঙমদবা, মহৈ-মশিনদা শোৎথবা অমদি মমান্নবা লোয়নবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা রিছার্স ৱার্কশিংদসু থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিংগী মশল শোল্লি হায়বা খঙখ্রবনি। অদুবু হন্দক্কী ষ্টদি অসিদা খরা মনুং হঞ্জিন্না খঙবা ঙল্লকপা ৱাফম অমত্তং হায়রবদা অঙাংশিংগী হার্টকী ফীভম ফহন্নবা ঙল্লিঙৈদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। অদুম ওইনমক হার্ট ফন্নবনি হায়দুনা হকচাং শাজেল তৌবগী মতাংদদি নীংথিনা খঙ-হৈরবা ডোক্তর অমগা হান্না তান্নবা মথৌ তাই।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা অঙাং ১০ খুদিংগী মনুংদা অমা থা শুদনা পোক্লকপগী মওং অমা উবা ফংলি। থৌওং অসিনা অঙাং অদুগী তুংগী পুন্সিদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্ল হনবগা লোয়ননা হকচাংগী ফীভম শেমগৎলকপা, মহৈ তম্বা, অতোপ্পা মীগা ৱারী শানবা অমসুং মী লোয়নবদা শোৎথবা থেংনরি।

এটেন্সন দিফিসিট হাইপর-এক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) য়াওনা বিহেবিয়র প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লকপগা লোয়ননা ব্রেন, স্পাইনেল কোর্দ অমদি নর্ভশিংদা শোক্লকপদগী সেরিব্রেল পালসিগুম্বা ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর, লোয়ননা ৱা ঙাঙবা, মী তীন্নবা অমদি ৱাখল মপুং ফারকপদা অকায়বা পীরকপা ওটিজমগুম্বা ওইহল্লকপা য়াই।

মসিগীসু মথক্তা থা শুদবা মীওইশিংগী লংসতা অকায়বা থোরকপা মরম্না অজমা অমদি ব্রোংকোপল মোনরি দিসপ্লেসিয়াগুম্বা নিংশা শ্বর হোনবা য়াদবগী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। লংস শেল্লকপদা অশোয়বা তারবদি খজিক্তং ওইরবসু মতম ঙনখৎপা অমদি অৱাম্বা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক তুংগী পুন্সিদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লে হায়বা ৱাফম অসিনি।

ফিনলেন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ অলু অমদি নেসনল ইনষ্টিট্যুট ফোর হেল্থ এন্দ ৱেলফেয়রগী ডা. মরজানা টিকানমাকিনা লুচিংদুনা ষ্টদি অদু চথখিবনি। মহাক্না হায়খি, থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক্কী মশল শোল্লি হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

থা শুদনা পোক্লকপা (প্রি-টার্ম বর্থ) অঙাং অমগী তুংগী পুন্সিদা করি করম্বা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা রিছার্সরশিংনা থিজিনখি। মদুগীদমক চয়োল ৩৪ য়ৌফাৎতনা পোক্লকপা অঙাং ১৩৯ অমসুং চয়োল ৩৪ দগী ৩৬ ফাওবা মীরোল্লগা পোক্লকপা অঙাং ২৪৭ কী মরমদা থিজিনখি।

হায়রিবা অঙাংশিং অদু থাবুম ১০ (চয়োল ৪০) নাউপুরগা পোক্লকপা অঙাং ৩৫২ গা চাংদম্নদুনা য়েংলম্মী। অঙাংশিং অদুনা মশাগী চহী ২৩ শুরকপা মতমদা মশল অমদি পাঙ্গল কনবগী চাংয়েং পাঙথোকপা মতমদা থা শুদনা পোক্লকখিবা মীওই পুম্নমক শোথবা থেংনখি। বোষ্টোনদা লৈবা হার্ভার্দ মেদিকেল স্কুলগী রিছার্সর ডা. রবি শাহনা হায়খি, থা শুদনা পোক্লকপা লৈবদগী লায়না অসি ওইরকপনি। কনাগুম্বা খরদা লংসকী ফীভম ফগৎলকপা য়াওরবসু মীওই খরদি পুন্সি চুপ্পা শাগোন্নবগী ফীভমদা লৈরি।

থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খরদা নেক্রোটাইজিং এন্টরোকোলাইটিস (এন ঈ সী) কৌবা লায়না অমনা মরম ওইরদুনা ইন্টেষ্টাইনগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্ল হল্লকপা য়াই। লায়না অসিনা ইন্টেষ্টাইনদা অকায়বা পীরকপদগী ফনা য়াম্না চাবা থকপা তৌরবসু চীঞ্জাক্তগী কান্নবা মচলশিং লৌশিনবা ঙমহল্লক্তবা য়াই।

কনাগুম্বা অঙাং খরদি তুংগী পুন্সিদা ন্যুমোনিয়া (লংসতা ইনফেক্সন তৌবা) অমদি মেনিঞ্জাইটিস (ব্রেনদা ইনফেক্সন তৌবা) য়াওনা মখল কয়াগী ইনফেক্সন মায়োক্লরকপা য়াই। থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিং রেটিনোপেথি ওফ প্রিমেচ্যুরিটি (আর ও পি) না ময়েক শেংনা মীৎ উবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা য়াই। মসিদসু নত্তনা না তাথিবা অমদি য়াগী খুদোংচাদবা কয়ামরুমসু মায়োক্লরকপা য়াই।

পুম্নমক অসিগী য়েংলুরগা থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খ্বীদিংমক য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা চেকশিনবা অমদি মওং মরিল তানা লোয়নবীবগী মথৌ তাই।

১৬ শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০১৫

# লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী উপু *বাকসি* না নোকহনখি



নোমিতা খোংবান্তাবম

*উপু বাকসি* হায়রিবা লীলা অসি জি সি তোংব্রানা ইদুনা থন্বীরম্বা লীলানি। তোঙান তোঙানবা ঠিএটর গ্রুপ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা প্রদক্সন ষ্টাইলদা খুদোল তম্নখ্রে। লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্নসু *উপা বাকসি* পুথোক্তুনা হিংহল্লকপা অসিনা জি সি তোংব্রাগী খুৎইগী অচৌবা মায় পাকপা অদুনি।

১৬ শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০১৫ দা ঙসি উৎখিবা *উপু বাকসি* গী দিরেক্টর ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা হায়, জি সি তোংব্রাগী ফিলোজোফিবু মনুং থীৎনা খঙবা ঙম্নবা হোৎনবদা লীলা অসি পানখৎপনি। জি সি তোংব্রানা ইরম্বা খুৎই অমবু শান্নবা হায়বসিদি অরাইবা থবক ওইদে। পাঙ্গল শোঞ্জবা আর্টিষ্টশিংনা তোংব্রানা থন্বীরম্বা ফম্বাক লীলাগী নোকপগী মহাও অদু ফংহন্নবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্ল জখি। ঙসি মীয়ামদা উৎচরিবা লীলা অসিদা অহেনবা ওইনা এক্সপ্রিমেন্টলগী মচৎ শীজিন্নজদে। ট্রেদিসনল ঠিএটরগী মেদিয়মদা পুথোক্লবা হোৎনজবনি।

লীলা অসিগী নুংগী ঈচেলদি পুন্সি হায়বসিদা তাৎ মচা-মচাগী চন্নফম লৈ হায়বদুনি। জি সি তোংব্রানা হায়রম্বা ৱাহৈনি পুন্সিদা তাৎ মচা-মচাগী চন্নফম হায়বসিসু। নুপা অমনা নুপী অনী লোল্লি। নুপী অহলগী ইশৌ খাঙবা ঙল্লক্তবদগী নুপী অতোনবী থিজিল্লি। নুংঙাই য়াইফনা লেনবা পাল্লকপদগী নুপী অতোনবীগা লোয়ননা অতোপ্পা মফম অমদা লৈখি। *উপু বাকসি* দা তুংশিনবা শেলশিং মচাশিংনা মীহৌবা হৌরকই। মচাশিংগী মীহৌ লাংদগী নান্থোক্ল বগীদমক্তা মীঙোন্দা তোনখিবা শেল খরা থৌরুগে হায়জিল্লগা মপা ওইবা মহাক্না য়ুমদগী মপান থোকখি। মশা ঙল্লক্ত্রবা মতমদা ময়ুমদা হল্লকই। মচা ময়াম মপাগী উপু বাকসিতবু মীহৌরকই। মপাগী সেবা নীংথিনা তৌবা মীওই অদুনা উপু বাকসিদা য়াওরিবা শেলশিং ফংগনি হায়দুনা খন্নরকই। অদুদগী মপা শিবা ঙাইনরকই। নোংমদি মপা শিরবনি হায়দুনা মচাশিংনা উপু বাকসি মুন্নবা হৌরকই। মপানা ঐ শিদ্রি হায়রকপা মতমদা মচাশিং খঙপ্রেক খঙই। অশিবগী মীকুপ ঙাইদুনা লৈনরকই। কোন্নথংদা মপানা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখি। তাইবঙপান থাদোকখ্রবা মপানা কোল্লম্বা উপু বাকসি হাংদোক্তুনা য়েংল্লুবদা চিঠি অমা য়াওরম্মী। শেল য়াওরমদনা চিঠি অমখক য়াওরম্বা অসিনা ফম্বাক লীলা অসিগী পাউজেলনি। অসুম্না লীলা অসি লোইশিনখি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবা কুম্মৌরোয়শিংদি দেবেন পুখ্রম্বম, ৱাই পোলোয় মৈতৈ, টি ঐচ দেবিদ সিংহ, এল রাজেশ সিংহ, দল্লিয়ু অমুজাও সিংহ অমসুং নুপীগী শক্তম লাংলিবীশিংনা ৱাই সন্ধ্যারানি, এন রোশিনি, এ অইংবী, ঈ গীতানি। ষ্টেজদা দেবেন পুখ্রম্বম অমসুং লাইটনা এম রঞ্জিৎকুমারনি। মেক-অপনা জিতেন কল্লরনা ওইরগা কষ্ট্যুমনা ৱাই রাধাতোম্বীনা ওইরি। ম্যুজিক্না ঈ জুগিন্দ্রো, তবলা টি ঐচ বিশ্বর্জিৎ অমসুং ফ্লুটনা ঈ সুরেন্দ্রো সিংহনি।

লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন হায়বসি খা মায়কৈ ঙাক্লিবা মতিং লৈরবা দ্রামা গ্রুপ অমনি। মরমসিনা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না পুথোরকপা লীলাদি খরা চেকশিন্না পুথোরক্কনি হায়বসিদি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরমসিনা ঙসি উৎখিবা লীলা অসিসু চৎনবা য়ানা পুথোরকখিবা লীলানি হায়বা তাই।

হয়েং ৫/১/২০১৬ তাদ ইম্ফাল ঠিএটর ৱাংখৈ তোকপম লৈরক্কী *তাজমহল* হায়রিবা লীলা অসি উৎকনি




# অকনবা য়ুহা হাবনা মাঙ-তাকহল্লবা তোঙান-তোঙানবা শক্তমশিং

